TransUnion CIBIL

# MSME PULSE

ফেব্রুৱারি 2021

sidbi



গবর্ণমেন্টনা ই.সি.এল.জি.এস য়াউনা অচৌবা পোলিসি ষ্টিম্যুলস লৈহনবনা মরম ওইদুনা এম.এস.এম.ই সেক্টরদাক্রেদিট গ্রোথ অসি হান্নগুম্না তশেংনা হঞ্জিল্লকপা উরে অমদি সেপ্টেম্বর2020দা 5.7%ৰাই.ও.ৰাই গ্রোথ রেজিষ্টর তৌথি। মালেমগী লাইচৎ মনুংদা এম.এস.এম.ইশিংবু ঙাক্লৌ পীবদা পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংনা মাঙজিল থাখি অমদি ইকনোমিক এক্টিভিটি হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপনা মরম ওইদুনা, প্রাইভেট বেঙ্কশিং অমসুং এন.বি.এফ.সিশিংসু ক্রেদিট দিমান্দ হেনগৎলকপা উরি। ঐখোয়না গ্রোথকী লম্বীদা চঙশিল্লকপা মতমদা, অথন্ননা, চাংচত্তা হেন্নাৰাংবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদশিং উবা ফংলিবা মাইক্রো সেগমেন্টতা রিস্ক লাকপগী খুদমশিংবু ঐখোয়না কুম্না শেন্নদুনা য়েংশিনবা মথৌ তাই।

**মি. ভি. সত্য**

**ভেনকটা ৰাও**

দি.এম.দি

এস.আই.দি.বি.আই

এম.এস.এম.ই ক্রেদিট গ্রোথতা অমুকহন্না মালেমগী লাইচৎ মমাংগী থাক্তা হঞ্জিল্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী মার্কেটতা ইকনোমিক রিকভরিগী মশক থোকপা ইন্দিকেটর অমনি। ই.সি.এল.জি.এস গাইদলাইনশিংবু খোঙলৈ খুনা ইন্নবগী মতিকচাবা দেটা এনালাইটিক্স অমসুং ক্রেদিট ইনফোর্মেসন সোলুসনশিং লৈবা অমদি এম.এস.এম.ইশিংদা শেল থঙবদা হৈ-শিংনা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা মরম্না পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিং (পি.এস.বি) অসি রিসর্জেন্স অসিগী মাঙজিল থাবা দ্রাইভরশিংনি। ইকাইখুম্নরিবা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হন্দক্তা লাউথোকখিবা বজেটনা মমাংগী চহিদা এম.এস.এম.ই সেক্টরদা লৈখিবা কন্ত্রিব্যুসন্দগী শরুক অনি হেনগৎহনখ্রে, অমদি মসিনা সেক্টর অসিনা য়াম্লমক মথৌ তারিবা ফাইনান্সিএল সপোর্ট মখাতানা পীরগনি। ত্রান্সয়ুনিয়ন সিবিল (TransUnion CIBIL) না গবর্ণমেন্ট, রেগুলেটর, লেন্দরশিং অমদি লাষ্ট-মাইল এম.এস.এম.ইশিং য়াউনা ইকোসিষ্টেম প্লেয়র পুম্নমক্না লোয়ননা সেক্টর অসিদা সষ্টেনেবল গ্রোথ সপোর্ট তৌনবগীদমক্তা থবক তৌমিন্নবা লেপ্লি।



**ৰাজেশ কুমাৰ**

এম.দি&সিইও

ত্রান্সয়ুনিয়ন সিবিল লিমিটেদ

এনালাইটিকেল কন্টেক্টশিং

ট্রান্সয়ুনিয়ন সিবিল

বিপুল মহাজন
vipul.mahajan@transunion.com

সলোনি সিনহা
saloni.sinha@transunion.com

সিদবি

রঙ্গাদাস প্রভাবতি
erdav@sidbi.in

রামেশ কুমার
rameshk@sidbi.in

# য়াউফম তাকপা


| | |
|---|---|
| ইগজেকুট্যিব সম্মরি | 01 |
| এম.এস.এম.ই লেন্দিংগী ক্রেদিট গ্রোথ | 03 |
| ক্রেদিট পর্ফোমেন্স অমসুং হেল্ঠ চেক | 08 |
| লেন্দর দ্রিভন ষ্ট্রাটেজিশিংদা অহোংবশিং | 14 |
| ৱারোইশিন | 20 |

# ইগজেক্যুটিব সম্মরি

**কমর্সিএল ক্রেদিট ইনক্বারিশিং হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপা অমদি কোবিদ-19 মমাংগী থাক্তা লেংদনা লৈরকপসিনা ক্রেদিট দিমান্দ অমুকহন্না ময়োল চোংলক্লে হায়বা তাকই:** কমর্সিএল ক্রেদিট ইনক্বারিশিংদা লৈখিবা ইয়ার-ওন-ইয়ার (ৱাই.ও.ৱাই) গ্রোথ অসি এপ্রিল 2020 দদি 60%দা হন্থখি। অদুমওইনমক,ইমর্জেন্সি ক্রেদিট লাইন গেরেন্ট স্কিমগী (ইসি.এল.জি.এস) মতাংদা গৱর্নমেন্টনা পাইথৎলিবা আত্মানির্ভর ভারত ইনিসিএটিবকী মতেংঙ্গী জুন, 2020 ফাউবদা কমর্সিএল ক্রেদিট ইনক্বারিশিং অসি 58%ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ হেনগৎলকখি অমদি হৌজিক্তি মসি প্রি-কোবিদ-19 লেভেলগী গ্রোথ রেটকা মান্নবা মওংদা, দিসেম্বর 2020 গী ওইনা 13%ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথকী ময়াদা লেংদনা লৈরে।

ই.সি.এল.জি.এসনা এম.এস.এম.ই ক্রেদিট সপ্লাই হেনগৎহল্লে, অদুমওইনমক, ওরিজিনেসনগী অয়াম্বদি ই.টি.বি (ইগজিষ্টিং টু বেঙ্ক) সেগমেন্টকী মায়কৈদনি:ই.সি.এল.জি.এসকী মওং-মতৌগী মতুংইন্না, ইগজিষ্টিং-টু-বেঙ্ক এম.এস.এম.ইশিংগী মায়কৈদা লেন্দিংগী থোঙজেল য়াঙথৎলে, অমদি মসিনা ই.টি.বি সেগমেন্টতা ক্রেদিটকী মনুংহুৎনা য়ৌশিনবা ঙম্লে। সেপ্টেম্বর, **2020** দা, ইং 2019 গী মনুংদা লৈখিবা চপ মান্নবা মতম শরুক্কী 7%গা চাংদম্নবদা, মার্চ **2020** ফাউবদা ইগজিষ্টিং লাইব লোন অমা লৈরিবা এম.এস.এম.ইশিংগী 30% না অতোপ্পা লাইন ওফ ক্রেদিট অমা ফংখি।

এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংগী রিবাউন্দ অসি মেত্রো সিটিশিংদগী নন-মেত্রো লোকেসনশিংদনা হেন্না ৱাংই: মেত্রো সিটিশিংদগী নন-মেত্রো লোকেসনশিংদনা কোমথোকপা অমসুং মতম শাংদবা লোকদাউনশিং লৈখি। মসি নন-মেত্রো লোকেসনশিংগী এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংদা জুন'**20** দা লৈখিবা ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ 157% অমসুং সেপ্টেম্বর'20 দা লৈখিবা 20% অসিদা উবা ফংই। মসিগা চাংদম্নবদা মেত্রো লোকেসনশিংদনা জুন'20 দা 76% অমদি সেপ্টেম্বর'20 দা 12% লৈদুনা, অনেম্বা ওরিজিনেসনশিংগীৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ উবা ফংখি।

পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিং (পি.এস.বি)না এম.এস.এম.ই লেন্দিংদা মকোক চিংখি, অমদি প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা মসিগী মতুং ইনখি:পি.এস.বিশিংনা ওরিজিনেসনশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ অসি সেপ্টেম্বর **2020** দা **30%**য়ৌদুনা, ফেব্রুৱারি **2020**দা লৈখিবা প্রি-কোবিদ-**19** লেভেলগী**16%**গী শরুক অনি হেনগৎখি। প্রাইভেট বেঙ্কশিংগী ওইনদি, ৱাই.ও.ৱাই ওরিজিনেসনশিংগী গ্রোথ অসি সেপ্টেম্বর'**20** দা **16%**দা লৈখি। পি.এস.বিশিংনা এম.এস.এম.ই লেন্দিংদা মাঙজিন থাখি, অমদি মসি এপ্রিল'**20** ফাউবা মকোক থোংনা লেংদনা লৈখি। অদুমওইনমক, দিসেম্বর'**20** অমসুং জানুৱারি'**21** ফাউবগী মরক্তা লৈখিবা ইনক্বারি ত্রেন্দশিংনদি মসিগী ওন্ন-তৈনবা মওং অমা উখি, মরমদি প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা এম.এস.এম.ই লেন্দিং মথা চত্থরকপা মরম্না লৈনরিবা গেপ অসি থোঙজেল য়াঙনা হন্থরক্লি।

**100 %ক্রদিট গেরেন্টি স্কিম্না প্রি-কোবিদ-19 লেভেলশিংদগী হেন্না ৱাংনা এপ্রুভেল রেট হেনগৎহনখি:** এপ্রুভেল রেটশিং অসি কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংগা চাংদম্নবদা জুন'20 দা শরু 1.5 নক্না হেনগৎখি। এপ্রুভেল রেটশিংদা হেনগৎখিবা অসি, কোবিদ মমাংগী লেভেলশিংগা চাংদম্নবদা শরুক 2 রোম হেনগৎখিবা পি.এস.বিশিংগী ওইনদি থ্বাইদগী মশক থোকপা অমনি। এপ্রুভেল রেটশিং হেনগৎপগী থ্বাইদগী ৱাংবা বেনিফিসরিশিংদি, চেক্সিন্নবা থঙহল্লিবা অমদি পোর্টফোলিওশিং অসিগী রেগ্যুলর মোনিটরিং মথৌ তারিবা সিবিল এম.এস.এম.ই রেঙ্ক (সি.এম.আর) 7 তগী 10 ফাউবা লৈবা হায় রিস্ক এম.এস.এম.ইশিংনি।

**কষ্টমর দিস্ক্রিসনরি স্পেন্দশিংগা লোয়নবা সেক্টরশিং অমসুং মাইক্রো লোন সেগমেন্টতা হেন্না ৱাংবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদশিং উবা ফংখি:**মালেমগী লাইচৎকা মরি লৈনবা ইকনোমিক এক্টিভিটিনা বোরোৱরশিংগী ক্রেডিট প্রোফাইলদা শোকহল্লকখি, অমদি মসিনা সেপ্টেম্বর'19 দগী সেপ্টেম্বর'20 ফাউবগী মতমদা, মমাং চহিগী মতম শরুকসিমক্কা চাংদম্নবদা সি.এম.আর দাউনগ্রেদশিং হেন্না ৱাংনা লৈখি। অদুমওইনমক দাউগ্রেদশিং অসি, মরুওইনা মাইক্রোসেগমেন্টতা, কঞ্জুমর ষ্টেপল স্পেন্দ সেক্টরশিংগা চাংদম্নবদা মসিনা কঞ্জুমর দিস্ক্রিসন স্পেন্দ সেক্তরশিংগী ওইনা তৌখি।

ক্রেডিট সপ্লাই হেল্লকপা মরল্না সেপ্টেম্বর**'20** গী দিফোল্ট রেটশিং **%** অসি**12.1**%দা লেংলনা লৈখি। সেপ্টেম্বর'20গী ওইবা এস.এম.এম.ই সেগমেন্টকী ওইবা এন.পি.এ রেটশিং অসি, মমাংগী চহিগা মান্নবা মতমদা (সেপ্টেম্বর'19দা 12.5%) অদুবু অরোইবা কোয়াটরদা) লৈখিবদুগী তাশনা (জুন'20দা 13.0%) হায়বদি 12.1%দা লৈখি। জুন'20গী মতুংদগী হৌদুনা এম.এস.এম.ই সেগমেন্টতা হায় ক্রেডিট ইনফ্যুজন পীখিবনা এন.পি.এ রেটশিংদা মপাঙ্গল কনবা দিনোমিনেটর অমা পীখি। অদুমওইনমক, গাইদলাইনশিং লাকপগা লোয়ননা এন.পি.এ রেটশিং অসি হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়াই।

**ক্রেডিট আউটষ্টেন্দিং বেলেঞ্চশিংগী গ্রোথ রেটতা** V-**মওংগী রিকভরি ত্রেন্দ অমা উবা ফংখি:** মহৌশাগী ওইনা ইন্দিয়াগী থ্বাইদগী ক্রেডিট এক্টিব ওইবা মতম ওইরিবা মার্চ'20 গী অকোনবা নুমিৎ 10নিদা লৈখিবা লোকদাউন্না এম.এস.এম.ই ক্রেডিট এক্টিভিটি শোকহল্লক্তুনা ক্রেডিট আউটষ্টেন্দিং বেলেঞ্চশিংগী গ্রোথতা তাথহল্লক্তুনা মার্চ'20 দা 3.9%ৱাই.ও.ৱাই লৈখি। ই.সি.এল.জি.এস লাকপদগী, ক্রেডিট এক্টিভিটি হান্নগী ফিভমদা হজিল্লকখি অমদি সেপ্টেম্বর'20 গী ক্রেডিট আউটষ্টেন্দিং বেলেঞ্চ অসি 5.7% ৱাই.ও.ৱাইদা হেনগৎলকখি।

## এম.এস.এম.ই লেন্দিংগী ক্রেদিট গ্রোথ

ইন্দিয়াদা অপুনবা ওন-বেলেঞ্চ শীট কমর্সিএল লেন্দিং এক্সপোজর অসি সেপ্টেম্বর'20দাৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট 2.1%গা লোয়ননা লাখ ক্রোর `71.25দা লৈখি। এম.এস.এম.ই সেগমেন্টকী ক্রেদিট এক্সপোজর অসি সেপ্টেম্বর'20দা লাখ ক্রোর `19.09 ওইদুনা, 5.7% ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট য়ৌথি অমদি ক্রেদিট গ্রোথ অসি এম.এস.এম.ই লেন্দিংগী সব-সেগমেন্ট পুম্নমক্তা উবা ফংথি।[1]

*ইগজিবিট 1: বেলেঞ্চ-শীট কমর্সিএল ক্রেদিট এক্সপোজর (₹ লাখ ক্রোরদা)*


| | Very Small <₹10 Lakhs | Micro 1 ₹10-50 Lakhs | Micro 2 ₹50 Lakhs-1 Crores | Small ₹1-10 Crores | Medium1 ₹10-25 Crores | Medium2 ₹25-50 Crores | Large >₹50 Crores | Overall |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Jun'18 | 0.78 | 1.91 | 1.30 | 6.51 | 3.27 | 2.67 | 44.90 | 61.33 |
| Sep'18 | 0.82 | 2.02 | 1.37 | 6.84 | 3.38 | 2.75 | 48.93 | 66.11 |
| Dec'18 | 0.85 | 2.10 | 1.42 | 7.04 | 3.45 | 2.78 | 49.99 | 67.63 |
| Mar'19 | 0.88 | 2.18 | 1.48 | 7.29 | 3.55 | 2.87 | 52.33 | 70.59 |
| Jun'19 | 0.88 | 2.14 | 1.45 | 7.23 | 3.48 | 2.79 | 51.79 | 69.77 |
| Sep'19 | 0.89 | 2.20 | 1.47 | 7.25 | 3.47 | 2.78 | 51.50 | 69.57 |
| Dec'19 | 0.92 | 2.23 | 1.50 | 7.33 | 3.48 | 2.77 | 51.49 | 69.73 |
| Mar'20 | 0.93 | 2.19 | 1.45 | 7.02 | 3.33 | 2.62 | 52.03 | 69.58 |
| Jun'20 | 0.93 | 2.27 | 1.51 | 7.39 | 3.55 | 2.80 | 53.46 | 71.92 |
| Sep'20 | 0.94 | 2.34 | 1.57 | 7.68 | 3.68 | 2.89 | 52.17 | 71.25 |
| Y-o-Y growth | 7.0% | 9.0% | 8.0% | 6.2% | 5.6% | 3.6% | 0.7% | 2.1% |

পোর্টফোলিও লেভেল ক্রেদিট গ্রোথ অসি বেজ ইফেক্টনা তোইনাঅকা-অকুম লৈহনবা মরম্না, ইনক্রিমেন্টেল লেন্দিং, হায়বদি অনৌবা ওরিজিনেসনশিংনা সেক্টর অদুগী ক্রেদিট এক্টিভিটিগী তশেংবা পিকচর অমা পী। এম.এস.এম.ই পল্সকী মমাংগী ইদিসন্দা, কোবিদ-19 না মরম ওইদুনা জাতি শিনবা থুংনা থমজিনখিবা লোকদাউন্নামার্চ'20দগী মে'20ফাউবকী মনুংদা লৈখিবা ক্রেদিট দিমান্দ চপ লেপহনখি। অদুবু, ই.সি.এল.জি.এসকুম্বা তোঙান-তোঙানবা স্কিমশিংগী খুত্থাংদা গবর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবা ষ্টিম্যুলস পেকেজনা ক্রেদিট দিমান্দ অমসুং সপ্লাইবু অমুকহন্না কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংদা হজিলহল্লকখি। কমর্সিএল ক্রেদিট ইনক্কারিশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথতা লৈখিবা ত্রেন্দশিংনা এম.এস.এম.ই সেক্টরদা লৈরিবা ক্রেদিট দিমান্দ অমুকহন্না হায়গৎলক্লে হায়বা তাকই। ইনক্কারিশিং অসি এপ্রিল-20 অমসুং মে-20 গী মনুংদা থংতা-তাথখিবদু, ই.সি.এল.জি.এস ইনফ্যুজন্না মরম ওইদুনা জুন-20দদি অমুকহন্না হায়গৎলকখি। হৌজিক্তি ক্রেদিট ইনক্কারিশিং অসি কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংদা লেংদনা লৈরে।

---


[1]এন্টিটি লেভেলদা পুন্সিনবা ক্রেদিট এক্সপোজরদা য়ুম্ফম ওইদুনা থায়দোকপা কমর্সিএল লোনশিং, য়াম্না পীকপা:<10L;মাইক্রো1:10L-50L; মাইক্রো2:50L-1Cr;অপিকপা:≥1Cr<10Cr;মিদিয়ম1:≥10Cr<25Cr;মিদিয়ম2:≥25Cr<50Cr;অচৌবা≥50Cr.মাইক্রোসেগমেন্টকী মনুংদা য়াম্না পীকপা, মাইক্রো1অমসুং মাইক্রো2সেগমেন্টশিং অসি চল্লি অমদি মিদিয়ম সেগমেন্টশিংগী মনুংদনা মিদিয়ম1অমসুং মিদিয়ম2অসি চল্লি।

### *ইগজিবিট 2: কমর্সিএল ক্রেদিট ইনক্বারি ভোল্যুমশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ*




ক্রেদিট দিমান্দগী পরিংদা য়েংলগা, এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংনা তাক্লি মদুদি জানুৱারি’20অমসুং ফেব্রুারি’20দা, অনৌবা লোন ওরিজিনেসনগী মশিংগী মতুংইন্না গ্রোথ রেট অসি30%গী মথক্তা ওইথি, অমদি মসি মার্চ’20অমসুং এপ্রিল’20 দা য়াম্না চাউনা হন্থরকখি। ই.সি.এল.জি.এস হৌদোকপদগী হৌদুনা, জুন’20 দা মতোল লোমখিবা ক্রেদিট ওরিজিনেসনশিং অসি, জুন’19 গা চাংদম্নবদা 115%হেন্নাকাংলকখি অমদি মহি অমসুং মমাংদা চপ মান্নবা মতমদুমক্তদা লৈখিবদুগা চাংদম্নবদা হেন্না ৱাংনা লৈখি।

### *ইগজিবিট 3: এমাউন্টকী মতুংইন্না এম.এস.এম.ই লোনশিংগী ওরিজিনেসনশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট*




## *বোৱোৱরগী মখলগী মখাপোনবাক্রেদিট এক্টিভিটি*

লোন সেঙ্কসন তৌখ্রবা বোৱোৱরশিংবু লেন্দরশিংগা হৌজিক লৈনরিবা মখোয়গী মরিশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মখাতানা কাংলুপ থায়দোকই। লেন্দরগা কমর্সিএল ক্রেদিট রিলেসনশিপ অমা হৌজিকসু লৈনরিবা বোৱোৱরশিংবু ইগজিষ্টিং-টু-বেঙ্ক (ই.টি.বি) হায়না কৌই, অদুগা মরি লৈনবা লেন্দর নত্রগা অতৈ অতোপ্পা লেন্দর অমত্তগা কমর্সিএল ক্রেদিট রিলেশনশিপ অমত্তা লৈনদ্রবা বোৱোৱরশিংবু নিয়ু-টু-বেঙ্ক হায়না কাংলুপ থায়দোকই।

এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংদা মপাঙ্গল কনবা রিবাউন্দ লৈরকপদা ই.টি.বি সেগমেন্টনা বেক তৌই। মসি মরুওইনা হৌজিক লৈরিবা বোৱোৱরশিংদা গাইদলাইনশিংগী মতুংইন্না 20% গী ক্রেদিট এক্সটেন্দ তৌগদবা ই.সি.এল.জি.এসকী দিজাইন অসিননি। ই.সি.এল.জি.এসকী অহানবা থাদা ই.টি.বি লোন ওরিজিনেসনশিংদা লৈখিবা ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ অসি200%গী মথক্তা ওইখি মতমসিদগী হৌদুনা, ৱাংথৎলম্বা অসি তপ্পা তপ্পা হন্থরকখি, অদুবু ই.টি.বি ওরিজিনেসনশিংদি মখাতানা ৱাংনা লৈখি। নাকল অমরোমদা, এন.টি.বি ওরিজিনেসনশিংদি কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংদা হঞ্জিল্লকপদা ৱানা থোক্লি।


### *ইগজিবিট 4: বোৱোৱর মখলগী মতুংইন্না ওরিজিনেসন বেলেঙ্কশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট*




ই.টি.বি লেন্দিংগী অৱাংবা প্রোপোর্সন অমনা বেঙ্কশিংগী হৌজিক লৈরিবা এম.এস.এম.ই ক্রেদিট বোৱোৱরশিংগী মনুং হুৎনা চংশিনবা ঙমহনখি। ইং 2020গী মার্চ ফাউবদা লাইব লোন রন্নিং অমা লৈরিবা এম.এস.এম.ই পুম্নমক্কী মরক্তগী, 30%না মথংগী থা 6 কী মনুংদা অতোপ্পা লোন অমা ফংখি;অদুবু ইং 2019 গী চপ মান্নবা মতমদি মসি শুপ্পগী 7% ওইখি। ইং 2020 দা লৈখিবা ত্রেন্দ অসি ই.সি.এল.জি.এস হৌদোক্লিঙৈগী মমাংদগী উৎপা হৌরকখি অদুবু ই.সি.এল.জি.এস হৌদোক্লবা মতুংদগীদি মসি হেন্না মশক থোকপা ওইরকখি।




**ইগজিবিট5: মার্চ ফাউবদা অমদি মসিগী মতুং থা 6তা লোন অমা পীথিবা এম.এস.এম.ইশিংগী হেনগৎলকপা %**




## বোরোৱর সেগমেন্টকী মতুংইনবা ক্রেদিট এক্টিভিটি

সেগমেন্টকী মতুংইনবা ওরিজিনেসনশিংগী গ্রোথনা সব-সেগমেন্ট পুম্নমক্তা মান্নবা ত্রেন্দ উৎলি। এম.এস.এম.ই সেগমেন্টকী মনুংদা, অহৌবগী ওইনা ক্রোর 25 গী কট-ওফ নোর্মনা মরম ওইদুনা মাইক্রো অমসুং স্মোল সেগমেন্টশিংনা ই.সি.এল.জি.এসকী অঙনবা বেনিফিসরিশিংনি। ক্রোর 25 গী মথক্কী এক্সপোজরগী মথক ওইবা মিদিয়ম সেগমেন্ট অসি কোন্না হাপচিনথি, মরম অদুনা মিদিয়ম সেগমেন্টকী ওরিজিনেসশিংদা লৈথিবা গ্রোথ অসি ওগষ্ট'20 দগী হৌদুনা উবা ফংথি। সব-সেগমেন্ট পুম্নমক্তা লৈথিবা ক্রেদিট ওরিজিনেসনসিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ অসি কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলদা হল্লক্লে।


**ইগজিবিট 6: সেগমেন্টকী মতুংইন্না ওরিজিনেসন বেলেঞ্চশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট**



## রিজনগী মতুংইন্না ক্রেদিট এক্তিভিটি

জিওগ্রাফিশিংদা মখাতানা চংশিন্দুনা, জুন’20 দা, মেত্রো রিজনশিংগা চাংদম্নবদা দিসবর্সেল ত্রেন্দশিং অসি অরবান, সেমি-অরবান অমসুং রুরেল রিজনশিংদা মান্নবা মওংদা দিসবর্সেলদা য়াঙনা হায়গৎলকপা উবা ফংথি। অদুবু, অপুনবগী ওইনা য়েংবদা রিজন পুম্নমক্না ই.সি.এল.জি.এস ইন্টরভেন্সন্দগী কান্নবা ফংথি। মমাংগী এম.এস.এম.ই পল্সকী ইদিসন্দা, মেত্রো রিজন্না লোন দিসবর্সেলগী মতাংদা খ্বাইদগী কন্না ঈথিল পীথিবা রিজন্নি হায়বা ঐখোয়না উথ্রে। মেত্রো রিজন দিসবর্সেলশিংদা থজিক্তং ফগৎলকপা উথি অদুবু জানুৱারি’20 অমদি ফেব্রুৱারি’20 দা লৈথিবা ৱাই.ও.ৱাই দিসবর্সেল গ্রোথকা চাংদম্নবদা ওগষ্ট’20 অমসুং সেপ্টেম্বর’20 দা লৈথিবা ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ অসি অদুমক নেম্না লৈথি।

### ইগজিবিট 7: এমাউন্টকী মতুংইন্না এম.এস.এম.ই লোনশিংগী রিজনগী মতুংইনবা ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট






# ক্রেদিট পর্ফোমেন্স অমসুং হেল্ঠ চেক

## *রিস্ক প্রোফাইলদা ত্রাঞ্জিসন*


সিবিল এম.এস.এম.ই রেস্ক ত্রান্সিসন অসি বোরোৱরশিংগী ওইনা সেপ্টেম্বর'19 দগী হৌদুনা সেপ্টেম্বর'20 ফাউবা চহি 1 গী মোনিটর তৌই অমদি ত্রান্সিসন অসি সি.এম.আর1-3, সি.এম.আর 4-5, সি.এম.আর 6-7 অমসুং সি.এম.আর 8-10 গী রেস্ক বকেটশিংগী ওইনা মোনিটর তৌই। সেপ্টেম্বর'19 দা সি.এম.আর 1-3 দা লৈখিবা বোরোৱরশিংগী 36% দি সেপ্টেম্বর'20 দদি লাৱর রেস্ক বকেটশিংদা দাউনগ্রেদ তৌরকপা উথি অমদি সেপ্টেম্বর'19 দা সি.এম.আর 4-5 ওইরম্বা বোরোৱরশিংগী 15% না সেপ্টেম্বর'20 দদি হায়র রেস্ক বকেটশিংদা অপগ্রেদ তৌরকপা উবা ফংথি।

***ইগজিবিট৪: সেপ্টেম্বর-19 দগী সেপ্টেম্বর-20 ফাউবদা লৈখিবা সি.এম.আরগী ত্রান্সিসন মেট্রিক্স***

| | | CMR as of Sep-20 | | | | Downgrades | Upgrades |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | CMR 1-3 | CMR 4-5 | CMR 6-7 | CMR 8-10 | | |
| CMR as of Sep-19 | CMR 1-3 | 64% | 26% | 6% | 3% | 36% | |
| | CMR 4-5 | 15% | 56% | 19% | 10% | 29% | 15% |
| | CMR 6-7 | 7% | 24% | 55% | 14% | 14% | 31% |
| | CMR 8-10 | 1% | 6% | 19% | 74% | | 26% |


সেপ্টেম্বর-19 সেপ্টেম্বর-20 গী মতম শরুক্কী ওইবা বোরোৱরশিংগী রিস্ক বকেটকী ত্রান্সিসন অসি সেপ্টেম্বর-18 দগী সেপ্টেম্বর-19 গী ত্রান্সিসনশিংগা চাংদম্নে। পান্দেমিক্না থোকহনখিবা ইকনোমিক স্লোদাউন্না দাউনগ্রেদশিং হেনগৎহল্লকখি, অদুমওইনমক পোলিসি লেভেল ইন্টরভেন্সনশিংনা সি.এম.আর 8-10 গী দিফোল্ট রেস্কশিংদা মখাতানা শোকচিল্লকপা থীংবদা মতেং পাংথি। সি.এম.আর 1-3 দা লৈখিবা লো রিস্ক বোরোৱরশিংগী ওইবা সি.এম.আরগী দাউনগ্রেদশিং অসি সেপ্টেম্বর'18 দগী সেপ্টেম্বর'19 ফাউবগী মতম শরুক্তা 24% ওইথি, অমদি মসি চহি অমগী মতুং হায়বদি সেপ্টেম্বর'19 দগী সেপ্টেম্বর'20 ফাউবগী চপ মান্নবা মতম শরুক্তা 36% দা হেনগৎখি। মসিগা মান্নবা দাউগ্রেদ ত্রেন্দ অসি, সি.এম.আর 4-5 গী মিদিয়ম রিস্ক সেগমেন্টকী ওইনসু উথি, অমসুং মসিগী দাউনগ্রেদ অসি সেপ্টেম্বর'18 দগী সেপ্টেম্বট'19 ফাউবদা 22% ওইথি অমদি মসি মখাতানা হেনগৎতুনা চহি অমগী মতুংদদি 29% য়ৌথি।

### *ইগজিবিট 9: হৌখিবা চহি 2 দা লৈখিবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদ অমসুং অপগ্রেদ*





সেগমেন্টশিংদা লৈখিবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদতা মখাতানা য়েংবদা, স্মোল অমসুং মিদিয়ম সেগমেন্টকা চাংদম্নবদা মাইক্রো সেগমেন্টনা সি.এম.আর দাউনগ্রেদতা খ্বাইদগী ৱাংনা হাইগৎপা উথিবা মরম্না, ইকনোমিক স্লোদাউন্না মাইক্রো সেগমেন্ট অসিদা খ্বাইদগী ৱাংনা শাফু পীবা উথি। সেপ্টেম্বর’19 দগী সেপ্টেম্বর’20 গী মতম শরুক্তা, সি.এম.আর 1–3 বকেটতা লৈখিবা মাইক্রো সেগমেন্ট বোরোৱরশিংগী সি.এম.আর দাউনগ্রেদ অসি, মমাংগী চপ মান্নবা মতম শরুক্তা লৈখিবা 24% দগী হেন্দুনা 36% ওইখি।

### *ইগজিবিট 10: সেগমেন্টশিংদা লৈখিবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদ*





সেক্টর পুন্নমক্তা লৈরিবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদশিং নৈনদুনা য়েংবদা উবা ফংই মদুদি সেপ্টেম্বর’18 দগী সেপ্টেম্বর’19 গী মতম শরুক্কা চাংদম্নবদা অয়াম্বা সেক্টরশিংগী ওইনা সেপ্টেম্বর’19 দগী সেপ্টেম্বর’20 দনা রেঙ্ক দিটরিওরেসন অসি হেন্না ৱাংবা উথি। অদুবু, দিটরিওরেসন অসি হোস্পিটালিটি, লোজিষ্টিক্স অমসুং টেক্সটাইলগুম্বা কঞ্জুমর দিসক্রিসনরি স্পেন্দ সেক্টরশিংদনা খ্বাইদগী ৱাংখি। দিটরিওরেসন অসি ওটো, ইনফ্রাষ্ট্রিকচর অমসুং এফ.এম.সি.জিগুম্বা কঞ্জুমর ষ্টেপল্স/নেসেসিটি সেক্টরশিংদনা চাংচত্তা খ্বাইদগী নেমখি।

## ইগজিবিট 11: সেক্টরশিংদা লৈখিবা সি.এম.আর দাউনগ্রেদ2




মসিগী ফল অমা ওইনা, মিদ-রিস্ক বোরোৱরশিংগী পূল হেন্না য়াঙনা চাউখৎলকখি। সেপ্টেম্বর-19 দা লৈখিবা 43% গা চাংদন্নবদা সেপ্টেম্বর-20 ফাউবদা, বোরোৱরশিংগী 51% দি সি.এম.আর 4-6 কী রেঞ্জদা লৈখি। সি.এম.আর 4-6 কী মিদ রিস্ক সেগমেন্টতা হোংলকখিবসি সি.এম.আর 1-3 গী লো রিস্ক সেগমেন্টনা মরম ওইদুনা থোকপনি। অদুমওইনমক, সি.এম.আর 7-10 গী হায়-রিস্ক সেগমেন্টতি হৌজিকসু 31% দা লেংদনা লৈরি।

## ইগজিবিসন 12: সি.এম.আরগী মতুংইন্না এম.এস.এম.ই পোর্টফোলিওগী দিষ্ট্রিব্যুসন





[2]হোস্পিটালিটি সেক্টর হায়বসিদা হোটেলশিং, রেষ্টুরেন্টশিং, টুরিজম অসি চল্লি; সি.আর.ই অসি মরুওইনা কমর্সিএল প্রোপর্টিদা এল.এ.পি লৈগদবা কমর্সিএল রিএল ইষ্টেটনি; মেটলশিংগী মনুংদা য়োৎ, ষ্টিল অমসুং কোল্হিং কারোইদবা মেটলশিং চল্লি; ওটোগী মনুংদা ওটোগী কম্পোনেন্টশিং, মেন্যুফেকচরিং অমদি দিল্লরশিপশিং য়াউই

## অফবা বোরোব়রশিংবু মখাতানা থাইদোক্লবা ত্রেন্দেদ অলগোরিঠম

রিসেন্ট ক্বার্টরশিংদা ক্রেদিট বেলেঞ্চশিংদা, মরুওইনা মিদিয়ম রিস্ক অমসুং হায় রিস্ক সেগমেন্টশিংদা য়াঙনা হেনগৎলকখিবসিনা পোর্টফোলিও মোনিটরিং হেনগৎনবগী কেস মপাঙ্গল হাপ্লে। কেশ ক্রেদিট অমসুং ওভরড্রাফ্ট লোনগুম্বা ক্রেদিট ফেসিলিটিশিংগা কোন্নবা ক্রেদিট বেলেঞ্চশিংগী ত্রেন্দেদ মুভমেন্ট অসি ক্রেদিটভিজন (সি.ভি) এত্রিব্যুটশিং অমসুং অলগোরিঠমশিং শিজিন্নদুনা থা 24 চুপ্পা এনালাইজ তৌরে। মসিনা ক্রেদিট ব্যুরো দেটাগী দিসএগ্রেগেসন মখাতানা পাংথোকপা ঙমহল্লে অমদি সি.এম.আরগা লোয়ননা শিজিন্নবা মতমদা, মসিনা হেন্না মশক থোকপা রিস্ক দিফরেন্সিএসন অমা পী। এনাইলাইসিস অসিগীদমক্তা ঐখোয়না ক্রেদিটভিজন বেলেঞ্চ মেগ্নিটুদ (বি.এ.এল.এম.এ.জি) ভেরিএবল শিজিন্নগনি, অমদি মসিবু মখাগী কেটেগোরিশিং অসিদা মশক তাকপা য়াই:


- মেগ্নিটুদ ওফ বেলেঞ্চ পে দাউন হায়বসিনা হৌথিবা চহি 2 গী মনুংদা বেলেঞ্চ হন্থরকপগী/পেয়িং দাউনগী ত্রেন্দ অমা উৎলক্লিবা এন্টিটিশিংবু খঙহল্লি।
- ষ্টিদি টু ইনক্রিজ মেগ্নিটুদ ওফ বেলেঞ্চ চেঞ্জগী মনুংদা ষ্টিদি বেলেঞ্চ ত্রেন্দ অমা নত্রগা মার্জিনেল ইনক্রিজিং ত্রেন্দ অমা উৎলিবা এন্টিটিশিং য়াউই।
- বেলেঞ্চ বিল্ডরশিং – মখোয় অসি বেলেঞ্চশিংদা লেপ্তনা চাং অমদা হেনগৎলকপা উরিবা এন্টিটিশিংবুনি।

### ইগজিবিট 13: বালমাগ (BALMAG)তা য়ুক্ষম ওইবা এন্টিটিশিংগী ক্লাসিফিকেসন




সেপ্টেম্বর'20 ফাউবদা, প্রোপোর্সন ওফ পে দাউন্, ষ্টিদি টু ইনক্রিজ অমসুং বেলেঞ্চ বিল্ডর বোরোব়রশিং অসি 19%, 76% অমসুং 5% ওইথি। বেলেঞ্চ বিল্ডর বোরোব়রগী শেয়র অসি 10% ওইদুনাসি.এম.আর 7-10 রিস্ক সেগমেন্টতা থ্বাইদগী ৱাংথি, অদুগা মসি সি.এম.আর 1-3 সেগমেন্টতা থ্বাইদগী নেমথি।

### *ইগজিবিট 14: সি.এম.আরগী মতুংইন্না বালমাগ (BALMAG) সেগমেন্টকী দিষ্ট্রিব্যুসন*




এম.এস.এম.ই এন্টিটিশিংগী সি.এম.আর অমসুং বালমাগ (বেলেঞ্চ মেগ্নিটুদ) অসি মেপ তৌই অমসুং বেদ রেট অমা য়েংই। বেদ রেট অসি মথংগী থা 12 গী মনুংদা 90+ দেজ পাষ্ট দ্যু (দি.পি.দি) লৈবা উথিবা খুদিংমকপু থংনগনি। বালমাগ (BALMAG) অসিবু রিস্ক দিফরেন্সিএটর অমা ওইনা শিজিন্নদুনা, ঐখোয়না চপ মান্নবা রিস্ক বকেটতা চাংচত্তা হেন্না ফবা বোরোৱরশিং ফংবা ঙম্মী। মিদিয়ম রিস্ক এম.এস.এম.ইশিং (সি.এম.আর 4-6)গী ওইনদি, পে দাউন সেগমেন্টতা লৈরিবা এন্টিটিশিং অসি দিফোল্ট রেট 8% ওইদুনা মতিকচানা চেংনা লৈরি, অমদি চপ মান্নবা রিস্ক সেগমেন্টতা লৈরিবা, বেলেঞ্চ বিল্ডরশিংনা বেদ রেটকী 24% উংলি, অমসুং মসি পে দাউন বোরোৱরশিংগী বেদ রেটতগী শরুক 3 হেন্না ৱাংলি। মসিনা সি.এম.আর 4-6 সেগমেন্ট বোরোৱরশিংগী মরক্তগী ফাউবা লো রিস্ক বোরোৱরশিং খনবা ঙমহল্লি। চপ মান্নবা ত্রেন্দ অসিমক, বালমাগনা পে দাউন অমসুং বেলেঞ্চ বিল্ডরশিংগী ওইনা মথংশিংনা62% দগী 83%ফাউবগী রিস্ক খন্দোকপা ঙল্লিবা সি.এম.আর 7-10 সেগমেন্টতসু উবা ফংই।


### *ইগজিবিট 15: সি.এম.আরগী মতুংইন্না বেদ রেট*

| | সিবিল এম.এস.এম.ই রেঙ্ক (সি.এম.আর) | | | |
|---|---|---|---|---|
| **বালমাগ** | **সি.এম.আর 1-3** | **সি.এম.আর 4-6** | **সি.এম.আর 7-10** | **অপুনবা** |
| মশানা শেল পীজবা | 3 | 8 | 6 | 16 |
| হেনগৎলকপা য়ারিবা | 3 | 13 | 3 | 3 |
| বেলেঞ্চ বিল্ডরশিং | 6 | 4 | 83 | 43 |
| অপুনবা | 3 | 1 | 3 | 3 |

ক্রেডিটভিজন এগ্রিব্যুটশিং অমসুং অলগোরিঠমশিংনা সিবিল এম.এস.এম.ই রেঙ্কতা অহেনবা ইনসাইট অমা পী অমদি মসিনা লেন্দরশিংবু বোরোৱর অদুগী তোঙান-তোঙানবা দাইমেন্সনশিংদা মনুংহৎনা য়েংশিনবা ঙমহন্দুনা, লেন্দরশিংবু সি.এম.আরগী অকোয়বদা কষ্টম পোলিসিশিং শাগৎপা ঙমহল্লি।

এম.এস.এম.ই লেন্দিংদা লৈরিবা ওভরওল এন.পি.এ রেট অসি জুন'20 ফাউবা লেংদনা তংতানা লৈথি, অমদি সেপ্টেম্বর'20 দদি সব-সেগমেন্ট পুম্নমক্তা হন্থরকখি। এম.এস.এম.ই সব-সেগমেন্টশিংগী মনুংদা, এন.পি.এ রেটশিং অসি হেন্না চাউবা টিকেট সাইজশিংগা লোয়নবা সব-সেগমেন্টশিংগীনা হেন্না ৱাংই। সব-সেগমেন্টশিংদা এন.পি.এ রেটশিং হন্থরক্লিবসি ই.সি.এল.জি.এসনা মরম ওইদুনা হায় ক্রেডিট সপ্লাই লৈরকপনা ওইহল্লকপনি। এন.পি.এ রেটশিং অসি গাইদলাইনশিং শেল্লকপগী মতুংইন্না হোংদোক-হোংজিন নাই।

***ইগজিবিট 16: সেগমেন্টকী মতুংইনবা এন.পি.এ রেট***







## লেন্দর্ ড্রিভন ষ্ট্রাটেজিশিংদা অহোংবশিং


পান্দেমিক হৌরকপদা লেন্দিংদা কা-হেন্না নেমথখ্রবসু, লেন্দরশিংনা এম.এস.এম.ই লেন্দিংগী খুদোংচাবশিং মাঙহনখিদে। দিসেম্বর'19 দা ক্রেদিট আউটষ্টেন্দিংনা, ৱাই.ও.ৱাই পোর্টফোলিও ক্রেদিট গ্রোথ অসি3.3%, অমদি মসিগী মতুং, মার্চ'20 দা 3.9% গী পোর্টফোলিও দি-গ্রোথ স্লোদাউন অমা উখি। অদুবু ই.সি.এল.জি.এসকী ঙাক্লো অমদি লেন্দরশিংনা স্কিম অসি য়াম্না থুনা পাইখৎপগা লোয়ননা, লেন্দিংদা মপাঙ্গল লৈরবা রিবাউন্দ অমা উবা ফংখি। এম.এস.এম.ই ক্রেদিট আউটষ্টেন্দিং অসি জুন'20 দা 3.3%ৱাই.ও.ৱাইদা অমসুং মথাতানা সেপ্টেম্বর'20 দা 5.7% দা হেনগৎখি।

### *ইগজিবিট 17: এমাউন্টকী মতুংইন্না এম.এস.এম.ই লোনশিংগী ৱাই.ও.ৱাই পোর্টফোলিও গ্রোথ*




মার্কেট শেয়র অসি বেলেঙ্কী ওইনা য়াম্না মশক থোক্লা হোংদে। অদুমওইনমক, লেন্দরশিংনা অতেনবা মতমসিদা লৈখিবা মার্কেটকী অহোংবশিংদা তোঙানবা মওংদা রিএক্ট তৌই।

### *ইগজিবিট 18: লেন্দরশিংদা লৈখিবা প্রোপোসনেট শেয়র*





*মার্কেট শেয়র এনালাইসিসতা য়াউহন্দ্রবা অতৈ লেন্দরশিং

## লোনশিংগী এভরেজ টিকেট সাইজদা হোংদোকপা


অহানবদা, হৌজিক লৈরিবা অমসুং অনৌবা বোরোৱর অনিমক্তা, ই.সি.এল.জি.এসকী 20% কেপনা লমজিংবগা লোয়ননা এভরেজ লোন সাইজদা রিদক্সন অমা উবা ফংখি। ই.টি.বি সেগমেন্ট এভরেজ লোন সাইজ অসি জানুৱারি'20 দা লুপা লাখ 40 তগী সেপ্টেম্বর'20 দা লুপা লাখ 10 গী মখাদা হন্থখি। হন্থখিবা অসি চাউরাক্পা ই.সি.এল.জি.এসকী 20% কেপকী মতুংইল্লি। এন.টি.বি সেগমেন্ট এভরেজ লোন সাইজশিংসু জানুৱারি'20 দা লুপা লাখ 18 দগী সেপ্টেম্বর'20 দা লুপা লাখ 10 গী থজিক্তং মখক ওইরপ ফাউবা হায়খখি।

### ইগজিবিট 19: বোরোৱর মখলগী মতুংইন্না এভরেজ লোন সাইজ




লেন্দিং এপেটাইটতা হোংখিবা অসি লেন্দর পুল্লমক্তা উবা ফংখি, হায়বদি এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংগী এভরেজ টিকেট সাইজ অসি লেন্দর গ্রুপ পুল্লমক্কী ওইনা তাখখি। প্রাইভেট বেঙ্কশিং অমসুং এন.বি.এফ.সিশিংনা তপ্না তপ্না কোবিদ-19 মমাংগী টিকেট সাইজশিংদা হজিল্লকবসু, পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংদদি মখা তানা অনেম্বা টিকেট সাইজশিং লৈখি।


### ইগজিবিট20: লেন্দর মখলগী মতুংইন্না ওরিজিনেসনগী এভরেজ লোন সাইজ



## পুন্নমক্কী ওইনা এগ্রুভেল রেটশিং হেনগৎলকখি


অনিশুবদা, ই.সি.এল.জি.এসকী 100% ক্রেদিট গেরেন্টিগী ঙাক্লোগা লোয়ননা লেন্দর পুন্নমক্তা এগ্রুভেল রেটশিং হেনগৎলকখি। জুন'20দা এগ্রুভেল রেটশিংগী অহৌবগী হেনগৎলকখিবা অদুগী মতুংদদি, প্রাইবেট বেঙ্কশিং অমসুং এন.বি.এফ.সিশিংদি তপ্পা তপ্পা কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংদা হল্লিল্লকখ্রবসু, পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংদি এগ্রুভেল রেটশিং অসি মথোয়গী কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংগী শরুক 2 গী মথক্তা মথা তানা লৈখি।

### ইগজিবিট 21: লেন্দর কেটেগোরিগী মতুংইন্না ইন্দেক্স এগ্রুভেল রেট




মসিগী ফল অমা ওইনা, পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংনা এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংদা মকোক চিংলকখি। জানুৱারি/ফেব্রুৱারি'20 গী ওইনা পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংনা 20% অমদি প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা 50%গী ওরিজিনেসনগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ লৈখি। এপ্রিল'20 দগী পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংনা থা থাগী ওইবা এম.এস.এম.ই লোন ওরিজিনেসনশিংদা চুনবা মায়কৈ (পোল পোজিসন) লৌখি।


### ইগজিবিট 22: লেন্দর কেটেগোরিগী মতুংইন্না ওরিজিনেসন বেলেঙ্কশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ




[3]এনালাইসিস অসিদা, করিগুম্বা লেন্দর অমনা তৌবা ইনক্বারি অমবু নুমিৎ 60 নিগী মনুংদা লোন ওরিজিনেটেদ অমদা ওন্থোক্লবদি এম.এস.এম.ই লোন অদু এগ্রুভ তৌরে হায়না লৌগনি।


ক্রেডিট ইনক্বারিশিংদগী লাকপা অঙনবা খুদমশিংনা, প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা এম.এস.এম.ই লেন্দিংদা মকোক থোংথি হায়না উৎথ্রবসু, দিসেম্বর'20 গী ওইনা, ক্রেডিট ইনক্বারিশিং অসি, পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংগী ওইনাথা অসিমক্তদা লৈখিবা 9% গা চাংদম্নবদা মখোয়গীদি 22%ৱাই.ও.ৱাই হেনগৎখি।

### *ইগজিবিট23:লেন্দর কেটেগোরিগী মতুংইন্না কমর্সিএল ক্রেডিট ইনক্বারিশিংগী ৱাই.ও.ৱাই গ্রোথ রেট*





হায় এপ্রুভেল রেটশিংগী থ্বাইদগী ৱাংবা বেনিফিসরিশিং অসি সি.এম.আর-7 দগী 10 ফাউবগা লোয়নরিবা হায় রিস্ক সেগমেন্ট এম.এস.এম.ইশিংনি। মখোয়গী এপ্রুভেল রেটশিং অসি জুন'20 দা লৈখিবা মখোয়গী প্রি-কোবিদ-19 গী শরুক 2 গী মথক্তা চোংথৎখি। মসিগী মতুংদগী এপ্রুভেল রেটশিং অসি তাথরক্লি অদুবু মসি হৌজিকসু প্রি-কোবিদ-19 লেভেলশিংদগী হেন্না ৱাংনা চৎলি।

### *ইগজিবিট 24: রিস্ক টায়রগী মতুংইন্না ইন্দেক্স এপ্রুভেল রেট*



মসিগী ফল অমা ওইনা, পান্দেমিক্কী মতোল লোম্বা মতমদা টেম্পরেরি স্কেলিং অমা লৈখ্রবসু, রিস্ক এপেটাইট অসি পান্দেমিক মমাংগী লেভেলশিংদা হজিলকখি। সি.এম.আরনা শেয়র তৌরকপা ওরিজিনেসন্না উৎথি মদুদি পান্দেমিক্কী অহৌবা মতম শরুক্তা, হায় রিস্ক সেগমেন্ট সি.এম.আর 7-10গী শেয়রতাথখি অদুগা লো রিস্ক সেগমেন্ট সি.এম.আর 1-3 না হেন্নাখি। অদুবু, হৌজিক্তি সি.এম.আরনা পীবা ওরিজিনেসনশিংগী দিষ্ট্রিব্যুসন অসি কোবিদ-19 মমাংগী লেভেলশিংদুগা মান্নরে।


### *ইগজিবিট 25: সি.এম.আরগী মতুংইন্না এম.এস.এম.ইশিংগী ওরিজিনেসনশিংগী দিষ্ট্রিব্যুসন*




অহৌবদা রিস্ককী চেৎশিনবা অমা লৈরম্লবগী মতুংদা প্রাইভেট বেঙ্কশিং অমসুং পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংনা হৌজিক্তি মমাংদা লৈরম্বা রিস্ক এপেটাইটকা মান্নবা মওংদা হজিল্লক্লে। অদুমওইনমক, এন.বি.এফ.সিশিংদি মথোয়গী রিস্ক এপেটাইট অদু পাকথোক-চাউথোকহল্লিবগুম তৌরি, অমদি মসি ইন্টরেষ্ট রেট আরবিত্রেজপাক-চাউবনা ওইবা য়াই।


### *ইগজিবিট 26: লেন্দরগী মতুংইন্না হায় রিস্ক (সি.এম.আর 7-10) গী ওরিজিনেসনশিংগী শেয়র*

*লেন্দর কেটেগোরিগী মতুংইন্না হায় রিস্ক (সি.এম.আর 7-10) দগী ওরিজিনেসনশিং*



সেপ্টেম্বর’20 দদি এম.এস.এম.ই সেগমেন্টতা লৈরিবা এন.পি.এশিং অসি জুন’20 দা লৈথিবদুগা চাংদম্নবদা এন.বি.এফ.সিশিংথক নত্তনা অতৈ লেন্দর পুন্নমক্কী ওইনা হন্থরকখি। প্রাইভেট বেঙ্কশিংগী এন.পি.এ রেটশিং অসি জুন’20 দা 6.4% দা লৈরম্বদগী সেপ্টেম্বর’20 দদি 5.8% দা হন্থখি। পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংগী এন.পি.এ রেটশিং অসি জুন’20 দা 18.0% ওইরম্বদগী সেপ্টেম্বর’20 দদি 16.7% দা হায়থরকখি। অদুবু এন.বি.এফ.সিশিংদি জুন’20 দগী সেপ্টেম্বর’20 ফাউবদা মান্নবা এন.পি.এ রেটশিং লৈবা উখি। এন.বি.এফ.সিশিংগী এন.পি.এ রেটশিংদা চুমদ্রিংনা হায়গৎলকখিবগী মরম অমদি এম.এস.এম.ই ক্রেদিট গ্রোথতা মখোয়গী থ্বাইদগী ময়েক শেংবা স্লোদাউন অদুনি।

***ইগজিবিট27: এম.এস.এম.ই সেগমেন্টতা লেন্দর গ্রুপকী এন.পি.এ রেটশিং***






## ৱারোইশিন

ইং 2020 দা এম.এস.এম.ই সেক্টর অসি তংদু লৈতাদবা খোঙচৎ অমদা চৎলুরে। কোবিদ-19 না বিজিনেস এক্টিভিটি অচৌবা শাফু অমা পীখ্রবসু, গবর্ণমেন্ট অমসুং আর.বি.আইদগী মপুংফাবা রেস্পোন্স অমনা সপোর্ট গ্রোথতা রিলিফ পীখি। টর্নওভর, ই.সি.এল.জি.এস হৌদোকপা, পীখিবা মোরেটোরিয়ম, রিষ্ট্রকচরিং, ষ্ট্রেস ওইবা এম.এস.এম.ই স্কিম অমসুং করেন্ট একাউন্ট গাইদলাইনশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা এম.এস.এম.ইগী অনৌবা দিফিনিসন অমা চহি 2020 অসিদা উখ্রে। ঐখোয়না চহি 2021 দা খোঙ থাংজিনবা মতমসিদা, মসিদগী মপুংফানা অনৌবা খোঙচৎ অমা হৌগনি হায়না আশা তৌরি। এম.এস.এম.ই লেন্দিংগী ইনফ্লেক্সন পোইন্ট অসিদা, এম.এস.এম.ই লেন্দিংগী তুংগী ওইবা লম্বীবু মশক তাক্কদবা খুদম খরা থোরকপা ঐখোয়না উরি:

- ক্রেদিট দিমান্দ অসি ই.সি.এল.জি.এসকী আত্মানির্ভর ইনিসিএটিবনা ঙাক্লৌ পীদুনা কোবিদ মমাংগী লেভেলশিংদা হজিল্লে। পব্লিক সেক্টর বেঙ্কশিংনা ই.সি.এল.জি.এসকী 100% ক্রেদিট গেরেন্টিগী ঙাক্লৌগা লোয়নননা এম.এস.এম.ইশিংদা লেন্দিং তৌবগী খোঙজেল য়াঙখৎহন্দুনা পান্দেমিক্তা অঙনবা খুদোংচাবা অমা লৌখি। ইং 2020 অসিদা ই.সি.এল.জি.এসকী মওং-মতৌনা মরম ওইদুনা ই.টি.বি সেগমেন্টকী মনুংদা ক্রেদিটকী মনুংহুৎনা চংশিনবা অমা উখি। অমদি হন্থবা ষ্ট্রিক্ট অমসুং অতেনবা লোকদাউনশিংনা মরম ওইদুনা, নন-মেট্রো রিজনশিংনা ক্রেদিটকী রিসর্জেন্সতা মাঙজিল থারি।
- রিস্ক শাগৎলকপগী খুদমশিং অসিসি.এম.আরদা অৱাংবা দাউনগ্রেদশিংগী মওংদা লৈরক্লি। দাউনগ্রেদশিং অসি এম.এস.এম.ই সেগমেন্টকী পিরামিদ সেক্সনগী মখাথংবগী অমদি কঞ্জুমর দিস্ক্রিসনরি স্পেন্দশিংগা লোয়নবা সেক্টরশিংগী ওইনা ৱাংই। হৌজিক্কী ওইনদি এন.পি.এ রেটশিং অসি ফ্লেট ওইরি, অদুবু গাইদলানশিং লৈরকপগা লোয়নননা হোংদোক-হোংজিন লাকপসু য়াই।
- এম.এস.এম.ই প্রোফাইল অমসুং লেন্দিং দাইনামিকশিং হোংখ্রে। এভরেজ লোন সাইজ অসি ই.টি.বি সেগমেন্টথক্কী নত্তনা এন.টি.বি সেগমেন্টকীসু হন্থখ্রে। এপ্রুভেল রেটশিং লেন্দর খুদিংগী ওইনা হেনগৎখ্রে, খ্বাইদগী চাউবা বেনিফিসরিশিংদি হায়-রিস্ক এম.এস.এম.ইশিংনা ওইরে। প্রাইভেট বেঙ্কশিং অমসুং এন.বি.এফ.সিশিংনা প্রি-কোবিদ এপ্রুভেল রেটশিংদা হজিল্লকখ্রবসু, পি.এস.বিশিংদি মখোয়গী প্রি-কোবিদ লেভেলশিংগা চাংদম্নবদা এপ্রুভেল রেট শরুক 2 গী মথক্তা মখা তানা লৈরি। রিস্ক এপেটাইট অসি নোর্মেল লেভেলশিংদা হজিলকখ্রে। অদুমওইনমক, এন.বি.এফ.সিশিংনা অহেনবা রিস্ক লৌরি।

## দিসক্লেমর

এম.এস.এম.ই প্লস রিপোর্ট (রিপোর্ট) অসি ট্রান্সয়ুনিয়ন সিবিল লিমিটেদ (টি.য়ু সি.আই.বি.আই.এল)না শেম-শাবনি। রিপোর্ট অসি এক্সেস তৌবনা অমসুং শিজিন্নবনা, য়ুজর অদুনা অসিগুম্বা শিজিন্নবসি দিসক্লেমর অসিগী মথা পোনগনি হায়বসি খঙলে অমসুং অয়াবা পীরে। রিপোর্ট অসি টি.য়ু সিবিল (TU CIBIL)গী মেম্বর ওইবা ক্রেদিট ইনষ্টিট্যুসনশিংনা পীবা ইনফোর্মেসন থোমজিন্দুনা শেম-শাবনি। টি.য়ু সিবিলনা রিপোর্ট অসি শেম-শাবদা মতিক চানা চেক্সিন-থৌরাং লৌরবসু, ক্রেদিট ইনষ্টিট্যুসনশিংনা পীরকপা চপ-চানা চুমদবা নত্রগা মতিক চাদবা ইনফোর্মেসন্না থোকহল্লকপা এক্যুরেসি, অশোয়বা অমসুং/নত্রগা চিথ-নাল্হৌহৌবশিংগী দায়ত্ব টি.য়ু সিবিলনা ওইরোই। মথা তানা, টি.য়ু সিবিলনা রিপোর্ট অসিদা য়াউরিবা ইনফোর্মেসনগী মতিক-চাবা নত্রগা মপুংফাবগী অমদি/নত্রগা অকক্লবা হিরম অমগীদমক্তা মসি চুন্নগনি হায়না গেরেন্টি পীদে, অমদি টি.য়ু সিবিলনা রিপোর্ট অসিদা এক্সেস নত্রগা রিলাইএন্স অমত্তগী দায়ত্বসু লৌরোই অসিদি টি.য়ু সিবিলনা অসিগুম্বা লাইএবিলিটি পুম্নমকপু দিসক্লেম তৌই হায়না ফোংদোক্লি। রিপোর্ট অসি এপ্লিকেসন, প্রদক্ট অমহেক্তগী রিজেক্সন/দিনাএল নত্রগা এক্সেপ্টেন্সকী রেকমেন্দেসন অমা নত্তে, অমদি টি.য়ু সিবিলনা মরি লৈনবা ইন্দিভিজুএল/এন্টিটিগা লোয়ননা (i) শান্দোক্লবা নত্রগা শান্দোক্তনবা (ii) ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন অমা তৌননবা নত্রগা তৌনদনবা রেকমেন্দ তৌবসু নত্তে। রিপোর্ট অসিদা য়াউরিবা ইনফোর্মেসন অসি পাউতাক নত্তে অমদি য়ুজর অদুনা রিপোর্ট অসিদা য়াউরিবা ইনফোর্মেসন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা ফিরেপ অমহেক্তা লৌদ্রিঙৈদা ওপিনয়ন অদুগী দায়ত্ব লৈবা মথৌ তাবা এনালাইসিস পুম্নমক পাংথোক্কদবনি। রিপোর্ট অসি শিজিন্নবা অসি ক্রেদিট ইনফোর্মেসন কম্পনিজ (রেগ্যুলেসন) এক্ট, 2005, ক্রেদিট ইনফোর্মেসন কম্পনিজ রেগ্যুলেসন্স, 2006, ক্রেদিট ইনফোর্মেসন কম্পনিজ রুলস, 2006 কী প্রোভিজনশিংগী মথা পোনগনি। মাংজৌনননা অয়াবা লৌদনা, রিপোর্ট অসিগী শরুক অমত্তা শিন্দোকপা, শন্দোকপা, ফোংদোকপা তৌরোইদবনি।

TransUnion CIBIL

ট্রান্সয়ুনিয়ন সিবিল লিমিটেদ
[মমাংদা খঙনরম্বা:ক্রেদিট ইনফোর্মেসন ব্যুরো (ইন্দিয়া) লিমিটেদ]
সি.আই.এন:য়ু72300এমএচ2000পিএলসি128359

ফোন: 6638 4600
ফেক্স: 6638 4666
ৱেবসাইট: transunioncibil.com

ৱানইন্দিয়াবুল্স সেন্টর, টাৱর 2এ, 19শুবা ফ্লোর,
সেনাপটি বাপট মার্গ, এলফিনষ্টোন রোড,
মুম্বাই - 400 013.